Unique ID No. MN/2015/0088389 of May 2015

RNI 22347
ISSN 2348 - 2044

CELEBRATION 63 YEARS

# ꯁꯥꯍꯤꯇ꯭ꯌ ঋতু







৬২ অমসুং ৬৩ শুবা চহীগী
১৯৭-১৯৮, ১৯৯-২০০
অমসুং ২০১-২০২ শুবা মশীং
ফেব্রুৱারী-ডিসেম্বর, ২০২১

ꯗ ꯀꯜꯆꯔꯦꯜ ꯐꯣꯔꯝ, ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ
**The Cultural Forum, Manipur**
(Recognised by Sahitya Akademi, New Delhi)
Rupmahal Tank, B.T. Road, Imphal

| | | | |
|---|---|---|---|
| | : | নুংশি ঈরিক<br>-ঈকেন খুরাই | ৬৫ |
| | : | "য়াওশঙ"' মাতনা মরূনি<br>-রাজেন্দ্র ওক্রম | ৬৫ |
| ৱারীমচা | : | সেলফী<br>-প্রেমকুমার পাওনম | ৬৭ |
| | : | নাওচা<br>-থিয়াম যেকেন্দ্র | ৬৯ |
| নাৎ | : | [illegible]<br>-[illegible] | ৭১ |
| | : | লাই হরাওবদা তাম্বুল নুরাবী<br>-ডা ওইনাম বিনারানি দেবী | ৯৭ |
| | : | মোইরাংগী ঈরাৎ-থৌনিগী থৌরমদা খুন্নাইগী থাজনবী<br>-দা মোইরাংথেম রাজেস সিংহ | ১০১ |
| | : | শজিবুগী ঈরাৎ-থৌনিদা থাঙ-তা<br>-ওক্রম হীয়াইনু চনু | ১০৬ |
| | : | মণিপুরী সমাজদা পাঙথোক্লরম্বা হরাও কুম্মৈ খরা<br>-রাইখোম রেনুকা দেবী | ১০৯ |
| | : | মণিপুরী নাৎতা ফিজেৎ-লৈতেংগী মফম<br>-ডা কৈশাম সোবিতা দেবী | ১১৩ |
| | : | মণিপুরদা হিন্দু ধর্ম্ম অমদি সংকীর্ত্তনগী ঈহৌ<br>-লৌরেম্বম ধনেশ্বর সিংহ | ১১৮ |
| | : | শ্রীহরিনাম সঙ্কীর্ত্তনগী নুংগী ওইবা ভাব<br>-নিংথৌজম খোলো সিংহ | ১২৩ |
| ফোকলোর | : | মণিপুরী লোকসাহিত্যগী মচল খরদা উৎলিবা ফোক লিটরেচর<br>-চবুংবম রঞ্জনা দেবী | ১২৭ |
| | : | খোংজোম পর্ব্ব অমসুং খম্ব-থোইবী ৱারী<br>-দা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ | ১৩১ |
| | : | ফোকলোর কদায়বু কৌবগে?<br>-দা রাংখৈরাকপম এঞ্জেলা দেবী | ১৩৩ |
| জেনরেল সেক্রেটরীগী ৱারোল | : | ক্ষেত্রি রাজেন | ১৩৮ |

# খোংজোম পর্ব্ব অমসুং খম্ব-থোইবী ৱারী

–দা সাইখোম রোবিন্দ্রো সিংহ

হীরম অসি নৈনবদা খরা হেন্না ময়েক শেংনবগী-দমক্তা 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়বসিগী মরমদা ৱাহৈ মঙা তরাদং মথাদা পীরি। 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়রিবা মণিপুরী ঈশৈ-ৱারী (বেলদ)কী শৈশক অমা ওইরিবা অসি লমদম অসিদা তরামাপল শুবা চহীচাগী লোইরমদাইদা থোক্লকখিবা শৈশক অমনি। শৈশক অসিমক 'থাবি লৈনৌ' হায়না খঙনবা মণিপুরগী কনাগুম্বা মীশক অমনা ইহান হান্না হৌদোক্লম্বনি হায়না লৈবাক মীয়াম্না লৌনৈ। 'খোংজোম' অসি ইম্ফালদগী খারোমদা চাউরাক্লা কিলোমিটর ৩৫ (কুন্থ্রামঙা) লাপ্পা ইন্দো-ম্যান্মার লম্বীগী ময়াদা লৈবা খুল অমনি। ১৮৯১ ইংদা বৃটিশ সম্রাজগী মায়োক্তা মণিপুরীশিংনা মরৈবাক্কী নীংতম্বা ঙাক্লবগী অকনবা লান শোক্লখিবা অমসুং মখোয়না বৃটিশকী মখুত্তা মায়থিখিবা মফম অদুনি 'খোংজোম' হায়রিবসি। লানফম অসিদা মতম কুইনদগী লৈজরক্লিবা মণিপুরগী নীংতম্বগী নুমিৎ তাখি। অসিগুম্বা মণিপুরীশিংগী কাউবা ঙম্লরোইদৌবা নীংতম্বগী নুমিৎ তাখিফম, খোংজোম লান অসিবু মণিপুরী মচা পুম্নমক্কী থম্মোইদা কাউঙমদনা নীংশিংদুনা অমদি শোন্নদুনতা লাকখি। মসিগী লান অসিদা মণিপুরগী অকল-অথৌ কয়ামরুম মীশিং লাকঙমদ্রবা বৃটিশ তোপকী অকি-অখং লৈতনা মখোয়গী লৈজবা থাং-তা অমসুং নোংমৈ পায়দুনা অফং-অফংবা বৃটিশ লাম্মী হাৎন-হাৎনা, মশা শিনা শিনা মরৈবাক মরমদমগীদমক্তা মথৱায় থাখি। অসিগুম্বা মী কয়ামরুম ফাবগী ৱাফম অসি পন্নৈ। খৃঃ ১৮৯১ দা মণিপুরদা চঙলকপা বৃটিশ লাম্মীশিংগী মনুংদা পঠান্নচিংবশিংনা অহাংবা মতমদা থোলক যন্ত্র অসি পায়দুনা ঈশৈ শক্লুনা মতম লেনবা অমসুং জগোই শাবা অসি মণিপুরী খুন্নাইদা চংনরকই। অমরোমদা অমুক য়েক্লবা লাম্মীশিং অসিবু লক্লবা ওইনা মণিপুরী ফাগী তৌবা হৈবা কাওবুনা থোলক পায়রগা ঈশৈ শক্লুনা বৃটিশ লাম্মীশিংবু করেম্নদুনা কাবুল পালা, ফদিবী পালা অসিনচিংবনা শুমাঙ লীলা শান্নরকখি। হায়রিবা অৱাং ভারতকী থোলক যন্ত্র অসি ঙসিফাওবা মণিপুরী শুমাঙ লীলাদা শীজিন্নরি।

খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তা খম্ব-থোইবী ৱারীবু ইথ্রন হান্না শকপা হৌদোকখিবা খোংজোম পর্ব্ব শকপা অশৈবদি থোবি লৈনৌগী সেবক হিয়াংথাংগী ওজা নোংথোম্বম চাউবা অসিনি। মহাক অসিবু মণিপুরদা 'কুলিজাও' হায়না খঙনরমই। মসিগী মরমদি মহাক্কী কুচু অসি কুলিগুম্না মুই হায়বগীদমক্তা মহারাজ চুড়াচান্দ সিংহনা মহাকপু কুলিজাও হায়না মমিং থোনখিবনি। অশৈবা অসি অহানবনা পেনা শৈশক তম্লমই অদুবু লম অদুদা মায় পাক্তবদগী থোলক থীনবা তমদুনা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি শকপা হৌখিবনি। মহাক্না কাছারগী মণিপুরী তাবা মফমশিংদা চৎতুনা পেনাগী শৈশক্কা লোয়ননা থোলক পায়দুনা খম্ব-থোইবী ৱারী অসি শক্লমই। মসিদা মহাক কাছারদা মায় পাক্লদুনা মণিপুরদা হল্লকলমই। মণিপুরদা হল্লক্লবা মতুংদা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তা খম্ব-থোইবী ৱারী শক্লুনা মমিং লৈবা অশৈবা অমা ওইখিরমই। মহাক্কী শৈশক অসিদা য়াম্না পান্নদুনা মহাক্কী সেবক কয়ামরুম মঙোন্দগী শৈশক অসি তম্নরমই।

মণিপুরদা শৈশক অসিদা মমিং চংলবা অশৈবা হৈস্নাম মাঙ্গোলজাও সিংহ অসি ওজা কুলিজাওগী সেবক অমনি। কুলিজাওগী মোত মতুংইন্না মহাক্না শক্লিবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি মমাঙঙৈদগী হৌনা লৈরক্লিবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অদুগী খেন্নবা খরা লৈ। মরম অদুনা শৌক অসিবু 'মোইরাং-কংলৈ-ঈশৈ' হায়বা মিঙ্গৌ অসি কৌনিংই হায়বগী মোত ফোঙদোকই। মহাক্না হায়রিবনা মহাক্কী শৈশক অসিদা তোপ তোপ্না ময়ামগা মান্নদবা শৈশক হায়বদি মহৌশাদগী লৈরক্লিবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অদুদগী খেন্নবা খরা লৈ হায়বসিনি। মতাং অসিদা পঙ্গনিংবদি ওজা কুলিজাওগী সেবক হৈস্রাম মাঙ্গোলজাও সিংহগী শৈশক অসিনা মহাক্কী ওজাদগী খরা খেন্নবা তোঙানবা শৈশক অমনি হায়দুনা মণিপুরদা মাঙ্গোলজাওগী শৈশক্তি হায়না হায়নরমই। শৈশক শৈদাদা অমদি হীরম (থিম) খরা খেন্নরগা অতোপ্পা মমিং থোনবগী মীয়াম্না য়ানরমদে। মরম অদুনা খেন্নবা খরা লৈজরবসু শৈশক অসিবু 'খোংজোম পর্ব্ব' হায়না অদুম্মক কৌনগদবনি হায়না মীয়ামগী মোত পীরমই। মতম অমদা খম্ব-থোইবী ৱারীবু শৈশক অসিদা শকপা মমিং চৎখিবশিংনি

ওজা কুলিজাও, ঙাইখোংগী মধু সিংহ, য়াইরিপোক্পী কেঐচ মাঙ্গোলজাও, নরানকোঞ্জিনগী থম্বালমচা সিংহ, হিয়াংথাংগী কলা সিংহ অমসুং মৈনো সিংহ, থাঙ্গগী হৈস্নাম মাঙ্গোলজাও সিংহ অসিনচিংবশিং মমিং পনবা য়াই।

মমাঙউঙৈদদি খম্ব-থোইবী ৱারী অসি শৈশক অসি শকপদা য়াম্না মমিং চৎলমই অমসুং মীয়াম্না থোইদোক হেন্দোক্লা পাম্নরমই। করিগুম্বা মতদা মণিপুরগী নিংথৌনা খম্ব-থোইবী ৱারী অসি শৈশক অসিদা শকপা ফাওবা অথিংবা পীরমই। ওজা কুলিজাওগী সেবক হৈস্নাম মাঙ্গোলজাওনা হায়বিরম্বদা অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরদুনা ইংন-চিক্লা মণিপুরদা লৈরবা মতমদা মহারাজ বোধচন্দ্রনা খম্ব-থোইবী ৱারীদা শৈশক অসিদা শকপদা অথিংবা থল্লমই। অদুবু শৈশক অসিদা খম্ব-থোইবী ৱারীবু শকপদা তাবা পাম্বা মীওইশিংনা মাঙ্গোলজাওদা কন্না তক্লুবদগী ৱারী পরিং অসিমক মমিংদি 'গোপাল অমসুং কোম্বীরৈ' হায়না ওম্থোক্লগা অথিংবা লৈনা লৈনা লমদম অসিদা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না শক্লরমই। মসিদা নিংথৌগী মনাইশিংনা শক্লিবা ৱারী অদু থিংনবগীদমক্তা লাকপা মতমদা অশৈবা অসিনা মহাক্লা শক্লিবদি 'গোপাল-কোম্বীরৈ ৱারী'নি খম্ব-থোইবী ৱারী নত্তে হায়না খুম্বগী থৌদোক লৈরি। মদুনা নিংথৌগী মনাইশিংনা করিগুম্বা অমতা তৌবা ঙমখিদে। অদুবু খম্ব-থোইবীগী মমিং গোপাল-কোম্বীরৈ হায়না মমিং হোংদোক্লগা শকপা ভাবোকশিংনা মমিং হোংজরবসু ৱারী অসি খম্ব-থোইবীগী ৱারীনি হায়বদু অদুক খঙই। মসিগী মথক্তা গোপাল-কোম্বীরৈগী ৱারী তারিবশিংনা খম্ব-থোইবীগী ৱারী তাবগা চপ মান্নবা নুংঙাইবা পোক্লমই। অদুবু মতম খরগী মতুংদা মীয়ামগী অপাম্বগী মতুংইন্না অসিগুম্বা অথিংবা অসি মীয়াম পেন্নবগীদমক্তা লৌথোকখিরমই। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি হিয়াংথাংগী ওজা নোংথোম্বম চাউবনা মোইরাং কংলৈরোন অসি খোংজোম পর্ব্ব ঈশৈ-ৱারীগী শৈশক্লোন্দা ইহান হান্না শকপা হৌগৎলকপদা মোইরাং কংলৈরোনগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নবা খম্ব-থোইবীগী ৱারীদা নত্তনা তোনু লাইজিংলেম্বী, য়াইথিংকোনু, হাওরং, লৈশং শাফবী অসিনচিংবশিংগী ৱারীশিংবু শৈশক্লোন অসিদা শক্লমই। মতৌ অসুম্না ওজা অসিনা মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারী অসি খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্তা শক্নুনা লৈবাক মীয়ামগী সেবা তৌরমই। লমদম অসিগী মীয়াম্না মসিগী ঈশৈ-ৱারী অসিবু য়াম্না পাম্নবা তানরমই।

মথক্তা হায়জখ্রিবা খরা অসিগী মথক্তা পঞ্জনিংবদি মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারী শীংবুন অসি খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক্লোন্দা শকপদা অহানবদা ঈশ্বর খুরুমজবা অসিদা মোইরাং লমদম্বু থাগোনবীরিবা ইবুধৌ থাংজিংদা থৌনিজরমই। মণিপুরদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতদদি খোংজোম পর্ব্বগী ঈশৈশিং হৌগৎলকপা মতমদা লৈবাক নিংথৌদা থৌনিজবা অসি তৌদবা য়াদবা অমা ওইরমই। অদুবু হৌজিক নিংথৌ পান্দ্রবা মতম অসিদদি মসিগী চৎনবী অসি অসুম অসুম মাঙশিল্লকপা থেংনদবা নত্তে। মসি ফাওবদা মমাঙঙৈগী চৎনবী অসি খোংজোম পর্ব্ব শকপা খরদি ঙাক্লা চৎপসু থেংনদবা নত্তে। খোংজোম পর্ব্ব অশৈবা নৎত্রগা অশৈবী অমনা করিগুম্বা ৱারী শীংবুন অমা শকপা মতমদা হেক হৌগৎপদা তোঙান-তোঙানবা 'গৌরচন্দ্র' অদু খেন্নবা সুর অমসুং ছন্দদা শক্লে। মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারী শীংবুন শকপা মতমদদি ইবুধৌ থাংজিংগী মফমদা থৌনিজবা অসি য়াওদবা য়াদে। অদুগা অতোপ্পা ৱারী শীংবুন শকপা মতমদদি হৌগৎলকপদা খোংজোম পর্ব্বগী অশৈবশিংনা খোঞ্জেল শেন্নবগী ওইবদা নত্তনা ঈশৈ-ৱারী অমা শকপা হৌরমদাইদা শ্রী গৌরচন্দ্র মহাপ্রভুবু নীংশিংজদুনা অমদি খুরুমজদুনা ঈশৈ অদু শকপদা অকায়-অতোই অমদি অশোই অঙাম য়াওহনবিদনবগীদমক্তা হায়জবা থৌনিজবগী মওংনি। খোংজোম পর্ব্ব শকপা অশৈবশিংগী মান্নদবা হাবয়দি মশা মশাগী হৈনজবা গৌরচন্দ্র অমমম লৈ হায়বা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা মণিপুরদা মমিং চৎখিবা খোংজোম পর্ব্ব শকপা তখেল্লম্বম থম্বালঙৌনা হৌদোক্লম্বা গৌরচন্দ্র অদুদি 'গৌর আজ কনো কেন্দেহ, মুখে রাধা রাধা বলি' হায়বসিনি। হায়রিবা গৌরচন্দ্র অসি খোংজোম পর্ব্ব শকপা অয়াম্বনা শক্লে। অতোপ্পা মণিপুরদা মমিং য়াম্না চৎখিবা খোংজোম পর্ব্ব শকপা খুমহ্নেম চাউবগীনা 'নবদ্বিপে রৈন স্থানে' অমসুং অঙোম খোংনাংগীনা 'এছেইতি ভাই' অসিনচিংবনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবদি খোংজোম পর্ব্ব শকপগী ইতিহাসতা 'গৌরচন্দ্র' অসি বংলা নৎতগ্রা সংস্কৃততা শক্লরম্বদগী ইমালোন মণিপুরীদা ইহান হান্না শকপা হৌদোকখিবদি অশৈবা খুমহ্নেম চাউবনি। অদুবু মোইরাং কংলৈরোন শকপগী মতাংদদি মথক্তা পঞ্জখ্রিবা খোংজোম পর্ব্ব অশৈবশিংনা তৌনরিবা গৌরচন্দ্র অদুগী মথক্তা ইবুধৌ থাংজিংদা হায়জবা অসি শকপা হেক হৌগৎলকপদা য়াওনৈ।

*মখা লামায় ১৩৬ দা...*

... লামায় ১৩৫গী মখা

খোংজোম পৰ্ব্ব শৈশক্তা মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারী শীংবুন অসি তাবদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং য়ানা পাম্লনা তানবা অমদি মমিং য়াম্লা চৎপদগী মণিপুরী খোংজোম পৰ্ব্ব শকপা তম্নবা নুপা-নুপী কয়া তম্বা হৌনরক্লমই। হিয়াংথাংগযী ওজা নোংথোম্বম চাউবা অলাইজ কুলিজাওগী সেবকশিংগী মনুংদা হৈম্লাম মাঙেগালজাও হায়না খঙনবা অশৈবা অসিবু মোইরাং কংলৈরোনগী ঈশৈদা মণিপুরগী মকোক থোংবা শৈশকপা অমা ওইরমই। মসিগী মতাংদা থাঙ্গ মাঙ্গোলজাওদা খোংজোম পৰ্ব্ব শকপা তম্নবা নুপা নুপী কয়াঅমা লাক্কুনা তম্লমই। ওজা মাঙ্গোলজাওনা মশাগী ওইবা 'মোইরাং কংলৈরোন' হায়না মিংথোনবা খোংজোম পৰ্ব্ববু পামজবা মীওইশিংদা মোইরাং কংলৈরোনগী শৈশক অসি তম্বীদুনা ওজা অসিগী সেবক কয়ামরুম পুথোক্লমই। তশেংনা হায়রবদা হৈম্লাম ওজা মাঙ্গোলজাও মশামক অসি খোংজোম পৰ্ব্বগী হায়রিবা শৈশক হায়বদি মোইরাং কংলৈরোন শৈশক অসিদা ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরবনি। ওজা অসিগী সেবকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং চৎখিবা অশৈবদি মাইবম তোম্বা অদুগা মীয়াম্নদি লমজাও তোম্বা হায়না খঙনবা মীশক অসিনি। ওজা মাঙ্গোলজাওনা লৈখিদ্রবা মতুং ওজা অসিগী শৈশক্লোন অসিগী লীক্লম কায়দনা লমজাও তোম্বনা মোইরাং কংলৈরোনগী ৱারী শীংবুন অসি শক্লমই। অদুবু লাইবক থীবদি লমজাও তোম্বসু ইং ২০২১ দা ঈশ্বরগী খূয়া তানখ্রে। ওজা মাঙ্গোলজাওগী অতোম্লা শীংথাবা য়াবা সেবক্তি নোংথোম্বম শ্যামজাই সিংহ, কোংবা নোংথোম্বম লৈকাইদা লৈবা অসিসুনি। তশেংনমক, মোইরাং কংলৈরোনগী শৈশক অসি হৌজিক্কী মতমদা মরাই খরা চায়থজরবসু মণিপুরী খুন্নাই অসিদা মোইরাং কংলৈরোনগী শৈশক অসি লাক্লিবা চহীচা কয়া অসিদা মুৎপা নাইদনা লৈখিগনি হায়না থাজনৈ ■